# ওরিষাগী ই ও দব্লিয়ুনা পোঞ্জি স্কিমগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎপা হৌখ্রে, লুপা লাক্ষ ৭৫ ফ্রিজ তৌখ্রে

**ভুবনেশ্বর, জুলাই ৫ (এজেন্সী):**

ওরিষা পুলিসকী ইকনোমিক ওফেন্সেস ৱিং (ই ও দব্লিয়ু) না ওনলাইন পোঞ্জি স্কিম কয়া থিগৎতুনা মখোয়গী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎপা হৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা বেঙ্ক ১৪ দা লৈরিবা লুপা লাক্ষ ৭৫ রোম ফ্রিজ তৌশিনখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।




মমাঙদা ই ও দব্লিয়ুনা মান্নবা স্কিমশিং/এপশিংগা মরী লৈননা লুপা ক্রোর ১.২২ ফ্রিজ তৌবা লৈখ্রবনি। পুলিসনা হায়রিবদি ইন্টরনেটতা লোনা য়াদবা এপ অমসুং ৱেবসাইট কয়া ফঙলি। মখোয়না নুমিৎ খরনি/থা খরনিগী মনুংদা শেল য়ামথোরক্কনি হায়না থাজবা এদভর্টিজমেন্টশিং ফোঙদুনা মীয়াম্বু লান্না থাজহল্লি। তৌইগুম্বসুং থা খরা লৈরগা এপশিং অদু মথৌ তৌবা লেপখি।

ওনলাইনদা ফঙলিবা নমথাক্কী এপশিং অদুদি দাইস, ক্বিক দব্লিয়ু রম্মি, ফ্লাই এভিয়েটর, ৱেয়োন লাইনপ্রো ৩, এম ভি পি ট্রেদর, এফ টি ১১, য়ুএনও, ফোরেক্স দানা, লাইফ ২২ কেস, এভিয়েটর এক্স, সিটি ৫, হোম্মর অলেকজেন্দর অসিনচিংবশিং অসিনি।

এপশিং অসিগী অপুনবা দাউনলোদ মশিং ক্রোর ১.৫৬ কী মথক ওই। ইনভেষ্টরশিংবু থাজহন্নবগীদমক ইনভেষ্টরশিং অসিনা মমিং লৈরবা ফিল্ম ষ্টারশিং, মুকেস অম্বানি, রতন টাটা, সচিন টেন্দুলকর, টেক্নিকেল গুরুজি (মমিং লৈরবা য়ু ট্যুবর) অসিনচিংবা সেলেব্রেটিশিংগী ফোটোগ্রাফশিং শীজিন্নৈ।

ই ও দব্লিয়ুগী ওফিসলশিংনা হায়রিবদি স্কেমষ্টরশিংনা ইন্সটাগ্রাম, য়ু ট্যুবনচিংবা তোঙান তোঙানবা সোসল মেদিয়া প্লেটফোর্মশিংদা টাটাগুম্বা অচৌবা কম্পেনিশিংগী লোগোশিং শীজিন্নদুনা মীয়াম্বু মোইথেম তৌনবা হোৎনৈ। মমাঙগী কেসতা ‘জোইন ট্রেদ এন্দ ফাইনান্সিএল গ্রোঠ তৌবা এপ অমনা শক্করাইবা পর্সেলিটিশিংগী খরা শেমদোক্লবা পিকচরশিং শীজিন্নদুনা ইনভেষ্টরশিংবু লান্না থাজহন্দুনা মখোয়গী শেল ইনভেষ্ট তৌনিংবগী ৱাখল পোকহনখি হায়বসি ই ও দব্লিয়ুনা খঙবা ঙমখ্রবনি। মখোয়না সোসল মেদিয়া ইনফ্লুয়েন্সরশিংনি হায়বশিং শীজিন্নদুনা মখোয়গী একাউন্টশিংগী খুথাংদা এপশিং/স্কিমশিং অসিবু প্রমোট তৌনবসু হোৎনখি। টিভি ষ্টার/সেলেব্রেটি খরা অসিগুম্বা সোসল মেদিয়া ইনফ্লুয়েন্সরশিং শৌগৎলম্বা থেংনখি। মখোয়গী এদভাইস অদু অসিগুম্বা ওনলাইন পোঞ্জি এপশিংগী খুথাংদা শেল থুনা তানবগা মরী লৈনখি হায়না ই ও দব্লিয়ুনা ফোঙদোকখি।

মহৈরোয়শিং য়াওনা অতেনবা মতমগী মনুংদা অসিগুম্বা পান্বেশিং অসি শীজিন্নদুনা শেল পায়বা পাম্বা লৱার মিদ্দল ক্লাসকী ইমুংশিং ওনলাইন স্কেম অসিগী ভিক্তিমশিং ওইখি।

স্কেমষ্টরশিংনা মখোয়গী ইল্লিগেল এপশিং অদুদা য়াওহল্লিবা য়ুপিআই আই দিশিং খক্তগী খুথাংদা শেল কলেক্সন তৌই। অসিগুম্বা আইদিশিং অদু শেল কম্পেনি/ফার্ম কয়াগী মিংদা ইন্দিভিজুয়েলশিংগী মিংদা মেন্টেইন তৌবা সেভিং অমসুং করেন্ট একাউশিংগা মরী লৈনৈ হায়না ই ও দব্লিয়ুনা মখা তানা হায়রি।

# হিমাচল প্রদেশনা লৌউ শিংউ অমসুং ট্রাফিক মেনেজমেন্টদা দ্রোনশিং শীজিন্নবা এম ও য়ুশিং খুৎয়েক পীনখ্রে

**পলাম্পুর, জুলাই ৫ (এজেন্সী):**

দ্রোনশিং মরাং কায়না শীজিন্নদুনা লৌমীশিং, হোর্টিকলচরিষ্টশিংবু কান্নহনবগা লোয়ননা ট্রাফিক মেনেজমেন্টদা হেন্না খুদোংচাহন্নবগী পান্দমদা হিমাচল প্রদেশনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা লুপা ক্রোর ২০০ গী মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) মঙা খুৎয়েক পীনখ্রে।




হিমাচল প্রদেশনা গভর্ণমেন্টনা সাইন তৌখিবা এম ও য়ুশিং অদুদা গভর্নেন্সতা দ্রোনশিং শীজিন্নবা হেনগৎনবা এফ আই সি সি আইগা পুরকখিবা এগ্রিমেন্ট অমা য়াওখি। এগ্রিমেন্ট অদুগী মথক্তা হিমাচলদা ইনভেষ্ট তৌবগা মরী লৈননা এবেকোদ টেক্নোলোজিস প্রাইভেট লিমিটেদ অমসুং দ্রোনটেক সোল্যুসন্স প্রাইভেট লিমিটেদগসু এগ্রিমেন্টশিং সাইন তৌনখি।

দিপার্টমেন্ট ওফ দিজিটেল টেক্নোলোজিস এন্দ গভর্নেন্স, চৌধরি সর্ৱান কুমার এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি (সি এস কে ঐচ পি কে ভি অমসুং আই আই টি ভোপালগা কোল্লাবোরেসন তৌনদুনা ফ্রাইট ওপরেসনশিং য়েংশিন্নবগী অনমেন ট্রাফিক মেনেজমেন্ট সোল্যুসন অমগীদমক স্কাই ই এয়রগসু খুৎয়েক পীনখি। ওটোনোমস দ্রোন লোজিষ্টিক প্রোবাইদর স্কাই ই এয়রনা ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা য়ু টি এম (অনমেন ট্রাফিক মেনেজমেন্ট) দিপ্লোই তৌগনি।

ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা ইন্দিজিনস অনমেন ট্রাফিক মেনেজমেন্ট সিষ্টেম ওইরিবা স্কাই ই য়ু টি এমনা ওটোমেটেদ এয়র স্পেস ট্রাফিক মেনেজমেন্ট পীবগা লোয়ননা এপ্রুভেলশিং জেনরেট তৌগনি অমসুং খুৎ শুংচং চঙহন্দনা দ্রোন মুভমেন্টশিং কো ওর্দিনেট তৌগনি।

মসিনা মথংগী জেনরেসনগী এয়র ট্রাফিক মেনেজমেন্ট সিষ্টেমশিংগী য়ুম্ফম থোন্দুনা খোঙজেল থুনা চাওখৎলক্লিবা দ্রোন ইন্দষ্ট্রিদা সেফতি অমসুং সেক্যুরিটি লৈহল্লগনি।

নোর্থ ইন্দিয়াগী অহানবা হিমাচল কনক্লেব লোইশিনবগী থৌরমদা ৱাঙাঙলদুনা সিএম সুকৱিন্দর সুখুনা ষ্টেট অদুদা আই টিগী মতেংগা লোয়ননা চল্লাইবা গভর্নেন্স প্রমোট তৌবদা মীৎয়েং চঙবগী ৱাফম পনখি।

# হেলমেট উপ্তুনা টু হ্বিল্লরশিং থৌবা য়ুপি গভর্ণমেন্টগী এমপ্লোয়িশিং এবসেন্ট পাল্লগনি

**লক্ষ্ণৌ, জুলাই ৫ (এজেন্সী):**

হেলমেট উপ্তুনা টু হ্বিল্লরশিং তোংলগা থবক্কীদমক অনীরকশুবা ওইনা দিপার্টমেন্টদা য়ৌরকপা য়ুপি গভর্ণমেন্টগী এমপ্লোয়িশিং চঙহল্লরোই অমসুং এবসেন্ট পাল্লগনি হায়রি।

ইনিসিএটিব অদু জুলাই ১৭ তগী ৩১ ফাওবা পাঙথোক্লদৌরিবা রোদ সেফতিগী ষ্টেট শীন থুঙনা চথুগদৌরিবা কেম্পেইনগী শরুক অমনি। গভর্ণমেন্ট স্পোক্সমেন অমনা হায়রিবদি সিএম য়োগি অদিত্যনাথকী ইন্সট্রক্সনদা ট্রান্সপোর্ট, হোম, পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট, মেদিকেল অমসুং এদুকেসন দিপার্টমেন্ট য়াওনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগী এক্সন প্লানদা য়ুম্ফম ওইরগা থাখায় চুপ্পা চথুগদবা রোদ সেফতি ওবজার্বেসন অদু শিল লাংগদৌরিবনি।

রোদ সেফতি ফোর্টনাইট অদুগী মনুং চন্না দিষ্ট্রিক্ট রোদ সেফতি কম্মিটিগী মীটিং অমসু পাঙথোক্কনি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট রোদ সেফতি এক্সন প্লান অমা শেম শাগনি অমসুং থাখায় লোইবা ফাওবগী মনুংদা ট্রান্সপোর্ট কম্মিস্নরদা থাগনি। কেম্পেইন অদুগী পান্দমদি ষ্টেট অদুদা মীয়াম্বু ট্রাফিক রুলশিংগী এৱার্নেস হেনগৎহন্দুনা লম্বীগী এক্সিদেন্টশিংনা মরম ওইদুনা মী শিবা হন্থহনবা অসিনি।

পনবা য়াবদি, মমাঙ চহীগা চাংদম্নবদা য়ুপিদা লম্বীগী এক্সিদেন্ট মশিং চাদা ৫.৫ তা হেনগৎলকখি অমসুং এক্সিদেন্টদা শিবা মী মশিংসু চাদা ৪.২ দা হেনগৎলকখি। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগী ওফিসরশিংসু কেম্পেইন অদুদা শরুক য়াগনি।

# কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা শীরিবা কেশ-ফোর-ট্রান্সফর মরালশিংগী প্রুফ লৈরে

**বেঙ্গলুরু, জুলাই ৫ (এজেন্সী):**

কর্নাটকাগী রুল্লিং কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা লৌখৎলিবা কেশ-ফোর-ট্রান্সফর কেসশিংগী প্রুফ লৈ হায়না হান্নগী সিএম ঐচ দি কুমার স্বামিনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ক্লেম তৌখ্রে।



বিদানা সৌদাগী প্রেমিসেসতা পেন দ্রাইব অমা উৎলদুনা কুমার স্বামিনা হায়খি, মদুদি পেন দ্রাইব অদুদা রেকোর্দ পুম্নমক য়াওরে অমসুং মহাক্না মদু মতম চানা রিলিজ তৌরগনি। কেপিটেলদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা কুমার স্বামিনা হায়খি, মদুদি দিপার্টমেন্ট ওফ ইনর্জিদা ট্রান্সফর অনী লৈখি। ট্রান্সফরশিং অদুগী মনুংদা অমা লুপা ক্রোর তরা লৌরবা মতুংদা তৌখিবনি।

ওফিসর অদুগী নোংমগী ইনকম লুপা লাক্ষ ৫০ নি। কেশ-ফোর-ট্রান্সফরগা মরী লৈননা মরু ওইবা মিনিষ্টর অমনা শান্নখিবা ৱারীগী রেকোর্দশিং লৈরে। ঐহাক্কী পেন দ্রাইব অসিদা দোক্যুমেন্ট অমসুং প্রুফ পুম্নমক য়াওই। মসিদা ট্রান্সফরগী মতাংদা শান্নখিবা ৱারী য়াওই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না সিএম ওইরিঙৈ মনুংদা থবক তৌবদা শীজিন্নখিবা ৱেষ্ট ইন ষ্টার হোটেলগী রেন্ট কনানা পীখিবগে হায়বা ইস্যুগী মতাংদা দিস্কসন তৌবগীদমক কুমার স্বামিনা কোংগ্রেস পার্টিবু কন্না চৈ থাংখি। ঐহাকপু থা অমদা লুপা লাক্ষ ১ দগীনা ২ ফাওবা চাদিং তৌবা ঙম্বগী কেপাসিটিদি খনবা লানগনি।

কুমার স্বামিনা মখা তারদুনা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টদা মহাক্কী প্রোপর্টিশিং ইনভেষ্টিগেসনশিং তৌবদা অকায়বা লৈতে হায়নসু চেলেঞ্জ তৌখি। হান্নগী সিএম অসিনা মতমদুদা তৌখিবা ট্রান্সফরশিংগী মতাংদা মখোয়না থিজিঞ্জসনু হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

কুমার স্বামিগী ৱাফমশিং অসি দিপ্যুটি সিএম দিকে সিবকুমারদা ওনশিল্লগা ফোঙদোরকপনি হায়না ছোর্সশিংনা হায়রি।

# অজিৎ পৱার কেম্পনা ফাইনান্স পোর্টফোলিও পাম্লবসু সিন্দেগী এম এল এশিংনা য়ানিংদ্রি

**মুম্বাই, জুলাই ৫ (এজেন্সী):**

নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সি পি) গী সেনিয়র লিদর অজিৎ পৱার অমসুং মহাক্কী অতৈ এসোসিএট নিপান ষ্টেট গভর্ণমেন্টদা য়াওহনখ্রবা মতুংদা মহারাষ্ট্রগী সিএম একনাথ সিন্দে হৌজিক পোর্টফোলিও য়েন্থোকপগী মতাংদা মশাগী পার্টি (সিব সেনা) না অথিংবা পীবা লৈরে হায়না ছোর্সশিংনা ফোঙদোরক্লি।

সিন্দেগী সিব সেনাগী এম এল এশিংনা অজিৎ পৱার ফেক্সনদা পীরিবা মরু ওইবা পোর্টফোলিওশিংগী চাকথুংদা য়ানিংদবা উৎপগা লোয়ননা সিএমদা অজিৎ পৱারনা ফাইনান্স পোর্টফোলিও দিমান্দ তৌরিবদু রিজেক্ট তৌননবসু তকশিনখ্রে। ওইরক্লিবা খোঙথাংশিং অদুগী মরমদা নোলেজ লৈবা ছোর্সশিংনা এজেন্সিদা ফোঙদোরকখিবদা এন সি পিগী মিনিষ্টরশিংনা ফাইনান্স এন্দ প্লানিং, পৱার, ইরিগেসন, কো ওপরেসন অমসুং মার্কেটিংগুম্বা পোর্টফোলিওশিং পীয়ু হায়না দিমান্দ তৌরি।

মখোয়গী দিমান্দ অদুগী মরমদি উদব থাক্রেনা লুচিংখিবা মহা বিকাস অগাদি গভর্ণমেন্ট লৈরিঙৈ মনুংদা পার্টি (এন সি পি) অসিনা পোর্টফোলিওশিং অসি পায়খি হায়বসিনি। এন ভি এ লৈঙাক লৈরিঙৈ মনুংদা মখোয়দা জষ্টিস তৌখিদে হায়রদুনা এন সি বিদা ফাইনান্স মিনিষ্ট্রি পীথোকপগী ৱাফম সিব সেনাগী লুচিংবশিংনা ওপোজ তৌখি।

পনবা য়াবদি, অজিৎ পৱারনা মহাক্কী মখুরা শরদ পৱারগী মায়োক্তা লান হৌদুনা জুলাই ২ দা একনাথ সিন্দেনা লুচিংবা মহারাষ্ট্র গভর্ণমেন্টদা য়াওশিনখিবদগী মহারাষ্ট্রগী পোলিটিক্সতা খঙহৌদনা অহোংবা কয়া পুরকখিবনি।

অজিৎ পৱার দিপ্যুটি সিএম ওইনা ৱাশক লৌখিবগা লোয়ননা এন সি পিগী অতৈ লুচিংবা নিপানসু সিন্দে গভর্ণমেন্টদা মিনিষ্টরশিং ওইনা ৱাশক লৌখি।

# রসিয়ানা ন্যুক্লিয়র প্লান্টতা এক্সপ্লোসিবশিং থমজিল্লে: জেলেন্সকি

**কিভ, জুলাই ৫ (এজেন্সী):**

রসিয়ানা জাপোরিজিয়া ন্যুক্লিয়র প্লান্টতা এটেক অমা চথনবা থৌরাং তৌরি হায়না য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা ক্লেম তৌখ্রে।

জেলেন্সকিনা হায়রিবদি মোস্কোনা এটোমিক রিএক্টর ষ্টেসন অদুগী মনাক্তা এক্সপ্লোসিবশিংনি হায়না চিংনবা পোৎশকশিং থমজিনখ্রে। হৌজিক্তি রসিয়ানা কন্ট্রোল তৌরবা জাপোরিজিয়া সিটি অসি দনিপর তুরেল মপানদা লৈরিবনি অমসুং মসি য়ুক্রেনগী খা নোংপোক থংবা লমদমগী শরুক অমনি।

ইন্টলিজেন্স ইনপুটশিংদা য়ুম্ফম ওইবা জেলেন্সকিগী ৱাফম অদু মহাক্না ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ইমানুয়েল মেক্রোনগা উন্নরবা মতুংদা ফোঙদোরকপনি।

অমরোমদা, কিভনা ন্যুক্লিয়র প্লান্ট অদুদা এটেক তৌনবা খুজিল থৌরাং চথরি হায়না রসিয়ানসু ক্লেম তৌখ্রে। য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা হায়রিবদি রসিয়ন ট্রুপশিংনা ন্যুক্লিয়র প্লান্ট সাইটতুদা লৈরিবা বিল্ডিংশিংগী মথকশিংদা এক্সপ্লোসিবশিং মানবা পোৎশকশিং থমখ্রে।

ভিদিও মেসেজ অমদা জেলেন্সকিনা হায়খি, মদুদি জাপোরিজিয়া ন্যুক্লিয়র প্লান্টদা খুদোংথীবা থোকহল্লকপা য়াবা অমত্তা ঙাইরবা ছোর্সতি রসিয়ানি। পোৎশকশিং অদু রসিয়ন ট্রুপশিংনা পৱার প্লান্ট অদুগী পৱার য়ুনিটশিংগা নক্কনা থমখি অমসুং মদু খুদোংথীনিংঙাই ওইবা কায়হৌবগী থৌওংনি।

ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট মেক্রোনগা উন্নরবা মতুং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা জেলেন্সকিনা ফোঙদোকখিবদা লুচিংবা অনীনা ন্যুক্লিয়র প্লান্ট অদুগা লোয়ননা কনফ্লিক্ট অদু কন্ট্রোল তৌননবগী ৱাফম য়ানখি। মখোয়না আই এ ই এগা তান্নরগা ন্যুক্লিয়র প্লান্ট অদুগী সেফতিদা অকায়বা থোকহন্দনবগী ৱাফমসু য়ানখি।

ইন্টরনেসনেল এটোমিক ইনর্জি এজেন্সি (আই এ ই এ) অসি য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ন্যুক্লিয়র ৱাটচদোক্লি। ৱাফম অসি মহাক্না লোয়ননা স্পেনগী পিএম পেদ্রো সান্সেসনা রসিয়ানা ন্যুক্লিয়র পৱার ষ্টেসন অদুদা এটেক তৌননবা শেম শাবগী ফিভম উবনা অচৌবা থ্রেট অমা লৈরে হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা মখা শমথরকপনি।

# জেনিনদা নুমিৎ নীনি ওপরেসন চথরবা মতুংদা ইজরেল্লি ফোর্সশিং হন্দোকখ্রে

**জেরুসালেম, জুলাই ৪ (এজেন্সী):**

নুমিৎ নীনিগী মতুংদা মরু ওইবা ওপরেসন অমা লোইশিনখিবগা লোয়ননা ইজরেল্লি ফোর্সশিং ৱেষ্ট বেঙ্ককী জেনিন রিফ্যুজি কেম্পদগী হন্দোকপা হৌখ্রে।

হৌখিবা নিংথৌকাবদগী হৌখিবা ওপরেসন অদুদা ইজরেল্লি ট্রুপশিংনা য়ামদ্রবদা পলেষ্টিনিয়ন তরা হাৎখিবনি। মসিদা নত্তনা দ্রোন কয়ানা মতেং পাঙখিবা ট্রুপ চা কয়ানা চহী ২০ লোমগী মনুংদা খ্বাইদগী শাথিবা রেইদ চথুখিবা মতুংদা পলেষ্টিনিয়ন লিশিং কয়া ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখি।

হেল্ঠ ওফিসলশিং পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়রিবদি জেনিনগী মফম কয়াদা নোংমৈ কাপ্পা অমসুং পোকখায়বগী মখোলশিং মখা তানা তাবা ফঙলি। পলেষ্টিনিয়ন নুপা অমা নোংমৈনা পান্দুনা শিখি অমসুং এয়র ষ্ট্রাইক অমদা অতৈ পলেষ্টিনিয়ন অহুম অশোক অপন নঙখি। মমাঙদা পলেষ্টিনিয়ন মিলিটেন্ট গ্রুপশিংনা কার থৌজিন্দুনা অশোক অপন থোকহন্নবা হোৎনখিবা অমদি থাংনা থিন্দুনা এটেক তৌবগী থৌদোকশিং রেইদ অদুগী পাউখুম ওইননি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

ইজরেল্লি ওথোরিটিশিংনা হায়রিবদি ইজরেলগী সমুদ্র মপানগী সিটি টেল অভিবতা কার থৌজিন্দুনা অমদি থাং শীজিন্নদুনা চথুখিবা অপুনবা এটেক অমদা য়ামদ্রবদা ইজরেল্লি তরেৎ অশোক অপন নঙখিবনি।

# সুদানদগী ইথিওপিয়াদা চেল্লকপা মী মশিং ৬০,০০০ রোম শুরে

**অদিস অবাবা, জুলাই ৫ (এজেন্সী):**

লান থোক্লিবা সুদানদগী ইথিওপিয়াদা চেল্লকপা মীওইশিংগী মশিং ৬০,০০০ রোম শুরে হায়না য়ুএনগী ওফিস ফোর দ কোওর্দিনেসন ওফ হ্যুমেনিটরিয়ন এফিয়র্স (ও সি ঐচ এ) না মসিগী খ্বাইদগী নৌবা সিচুয়েসন অপদেটতা ফোঙদোকখ্রে।

অপদেট অদু পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়রিবদি জুন ২৮ ফাওবদা মীওই ৫৭,৫০০ হেন্না ইথিওপিয়া-সুদান বোর্দরগী মেটেমা অমসুং কুরমুক এন্ট্রি পোইন্টশিং ফাওরগা চঙশিল্লকখি।

চাংচৎতা মেটেমাদা নোংমদা থুংবা মী মশিং অসি ৫০০ অমসুং ১০০০ গী মরক্তনি। তৌইগুম্বসুং হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা সুদানিষ্ট নেসনেলশিং থুংবগী চাং হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা ইথিওপিয়ন রিটর্নিশিংদা অমদি অতৈ অহুমশুবা লৈবাকশিংগী নেসনেলশিংদগী হেনখি।

ও সি ঐচ এগী রিপোর্ট অদুনা মখা তানা হায়রিবদি হৌখিবা চয়োল অনীগী মতমদা থুংলখিবশিংগী চাদা ৭৫ হেন্না সুদানিষ্ট নেসনেলশিং ওইবগা লোয়ননা লান থোক্লিবা সুদানদগী ইথিওপিয়াদা মী চঙবগী চাং হন্থরকপগী মমি উবা ফঙদে। সুদানগী কেপিটেল খার্তুমদা এপ্রিল ১৫ দা অকনবা লান হৌরকখি অমসুং মদু য়ান্না থুনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু শন্দোরকখিবনি।

**CAS Coaching Centre**
CAS Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal

**Admission Open (New Batches)**
**FOUNDATION COURSES**

Hurry!!! Seats are Limited First Come First Served

**CLASS XII** (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)
**CLASS XI** (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)
**CLASS X** (English, Maths, Science & Social Science)

Special features:
- Experienced and Expert Faculties.
- Special Concession for Meritorious, Govt. School, Single Parent, Ethnic Victim, Differently abled Students.
- Counselling & Extra Classes for Slow Learners
- Supply Chapterwise Study Materials.
- Targeted Suggestion for Final Exam. by Experts.
- Weekly and Monthly Test Series.
- 30 Students for each Batch.
- Vision for Toppers in 2024.

Hostel for BOYS & GIRLS Available

Classes Commencing from 6th July, 2023
# Morning:(4.30– 7.00) A.M. # Evening:(3.30– 6.30) P.M.
For Details Contact:- *CAS Office, 2nd floor Keishampat Junction Imphal(Mayai Lambi Machin)*
*# 6033817130*
HL-P/6960/30-6 to 29-7

(A co-educational Hr. Sec. Affiliated to COHSEM)
**DELTA ADVANCE SCHOOL**
Kwakeithel Bazar, Imphal
ADMISSION OPEN
**for Class XI (Science & Arts)**
*first come first serve* (in view of the Present situation)
80% & above ☞ FREE Admission + 50% exemption on FEEs
70% & above ☞ ADMISSION ₹1,000/-
3 months school fee should pay at the time of Adm[n].
60% & above ☞ ADMISSION ₹2,000/-
below 60% ADMISSION ₹5,000/- only
HOSTEL, seats are limited
Office Timing: (Sunday Open) 7:00 am to 4:00 pm
Last date of Adm[n]. extended till : 7th July, 2023
We have 2 years Integrated course for NEET & JEE
Bus & Van service
Hostel for Boys/Girls
*# For Forms & Admission, pls. visit Office of DAS or contact: Principal or 8575348209 / 8014684119*
Free Admission & Tuition fee for 1 year for students staying in the Relief Camp
HL-P/6925/1-7

NACHOM EDU FOUNDATION
Foundation of Future
NEET/JEE/IIT
*Congratulations*
3 out of 4 students cracked
JEE Advanced (IIT) 2023


HAOBIJAM VIVEKANANDAGIRI
All India Ranking (SC) 2313


NINGTHOUJAM AANGANBA


AYEKPAM LANKHONBA

**Registration open for JEE (Mains) 2024, 2nd Batch**
For more details
Contact : 9402979552 / 8729948874
3rd Floor, M/S L.K. & Sons' Apartment, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal
HL-P/6920/22 June to 6 July

NACHOM EDU FOUNDATION
Foundation of Future
NEET/JEE/IIT
*Congratulations*


**RK Niraj**
S/o. Prof. RK Bhubon Singh & Dr. W. Indira
Class - XII (2023) 90.4%
JEE (Mains, 2023) 90% ile
NEET (2023) 500 mark

CHEMISTRY

Rahul Kumar
- Ex Faculty member of Career Point, KOTA & Narayana IIT

PHYSICS

L. Bidyaraj
Master from IIT, Guwahati
- Ex Faculty member of Career Point

MATHS

Basant Kumar
- Ex Faculty member of Aakash Coaching Institute, Muzzafarpur
- Over 25 years of experience for JEE

BIOLOGY

Vishal Kumar
- M.Sc. Life Science
- Post Graduate diploma in bioinformatics
- Teaching experience 10 years (NEET)

Registration Opens for 1 year **NEET** Course, target 2024
Commencing from 1st July, 2023
Also Admission Opens for 2 years NEET & JEE Courses for Class XI
For more details
Contact : 9402979552 / 8729948874
3rd Floor, M/S L.K. & Sons' Apartment, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal
HL-P/6920/22 June to 6 July